# ইনভাইরনমেন্ট মিনিষ্টর প্রকাস জাবেদকরনা গ্রিন ফায়রক্রেকর ফাওবা শীজিন্নদনবা অপিল তৌখ্রে



ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ০৭ (এজেন্সী): হরাও কুম্ন্হেগী মতমদা বোম্বুলা শীজিন্নদবা য়ুনিয়ন ইনভাইরনমেন্ট মিনিষ্টর প্রকাস জাবেদকরনা মীয়ামদা অপিল তৌখ্রে।

পুং ২৪গী মমাঙদা য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্টর হর্স বর্ধননা গ্রিন ফায়রক্রেকর লোঞ্চ তৌখ্রবা মতুংদা ইনভাইরনমেন্ট মিনিষ্টরনা হায়খি, পোল্ল্যুসন থোকপগী চাং হন্থহন্নবগী পান্দমদা মীয়াম্না গ্রিন ফায়রক্রেকর ফাওবা শীজিন্নরোইদবনি।

দিল্লিদা পাউমীশিংগা উনখিবা অমদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর জাবেদকরনা হায়খি, সেন্টরনা লৈবাক্কী কোনুং দিল্লিদা এয়র পোল্ল্যুসন থোকপগী চাংহন্থহন্নবা থৌরাংকয়া লৌখৎলে। পনবা য়াবদি, হেল্থ মিনিষ্টর হর্স বর্ধননা নোংমাইজিং নুমিৎতা হায়খিবনি মদুদি কাউন্সিল ফোর সাইন্টিফিক এন্দ ইন্দষ্ট্রিএল রিছার্স (সি এস আই আর)না পুথোকপা ইকো-ফ্রেন্দলি ওইবা বোম্বুলা শীজিন্নদুনা পোল্ল্যুসন থোকপগী চাং চাদা ৩০ রোম হন্থহনবা ঙমগনি।

কুমজা ২০১৮গী দিৱালি মমাঙ মক্তদা সুপ্রিম কোর্টনা মখল খুদিংমক্কী বোম্বুলা শাবা থিংখিবগা লোয়নননা হেন্না মৈখু থোক্লোইদবা গ্রিন ক্রেকর খক্তমক য়োন্নবা য়াথং পীখিবনি। নুমিদাংগী পুং ৮-দগীনা পুং ১০ ফাওদমক বোম্বুলা থাবা য়াগনি হায়নসু কোর্টনা খঙহনখি।

থৌরাং অসি লৌখৎপা তারবসু দিল্লিগী এয়র ক্বালিটি ইন্দেক্স (এ ক্যু আই) হন্থরকপগা লোয়নননা নুমিদাংগী পুং ১০ তাবা মতমদা কা হেন্না খুদোংথিনিংঙাই ওইবা মওংদা নুংশিৎ মোৎপগী চাং ৱাংখৎলকখি। মথং চহীদা মীখল পাঙথোক্কদবা লৈবনা এয়র পোল্ল্যুসন থোকপগী চাং হন্থহন্নবগী মতাংদা মতিক চাবা থৌরাং লৌখৎলে হায়বা উৎনবগী পান্দমদা প্রকাস জাবেদকরনা অনৌবা ৱাফম অসি মীয়ামদা লাউথোকখিবনি।

লৈবাক্কী কোনুং দিল্লিদা এয়র ক্বালিটি মোনিটরিং সেন্টর হাংদোকপগীদমক প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিবু থাগৎপা ফোঙদোক্লদুনা মহাক্না হায়খি, মথং চহীগী এপ্রিলদগী হৌনা বি এস-৬ চৎনহনবগা লোয়নননা নুংশিৎ মোৎপগী চাং হন্থহন্নবা থৌরাং লৌখৎলগনি। নাকল অমরোমদা দিল্লিগী চীফ মিনিষ্টর অর্বিন্দ কেজ্রিৱালনা নবেম্বর ৪দগী ১৫ ফাওবা ওদ-ইভন স্কিম চৎনহন্দুনা নুংশিৎ মোৎপগী চাং হন্থহন্নবা থৌরাং লৌখৎলগনি হায়না লাউথোকপা লৈখ্রবনি।

# য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্টর হর্স বর্ধননা ঈ-দন্তসেবা ৱেবসাইট অমসুং মোবাইল এপ্লিকেসন লোঞ্চ তৌখ্রে



ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ০৭ (এজেন্সী): ওরেল হেল্থ ইনফোর্মেসনগী মতাংদা য়ুনিয়ন হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফিয়র মিনিষ্টর ডা. হর্স বর্ধননা ঙসি ঈ-দন্তসেবা ৱেবসাইট অমসুং মোবাইল এপ্লিকেসন লোঞ্চ তৌখ্রে।

ঈ-দন্তসেবানা লৈবাক অসিগী মীওই বিল্লিয়ন ১ হেনবদা কান্নবা ফঙহল্লগনি হায়না য়ুনিয়ন মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি। মহাক্না উবা ঙম্বগী মতিক ময়াই ৱাৎলবা মীওইশিংগীদমক ব্রেল বুকলেট অমসুং ওরেল হেল্থ এদ্যুকেসনগী ভোইস ওভরসু লোঞ্চ তৌখি। মীরোনবী নুপীশিং অমসুং অঙাংশিংগীদমক্তনা ওরেল হেল্থ পোষ্টর কয়াসু মিনিষ্টরনা লোঞ্চ তৌখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা ডা. বর্ধননা হায়খি মদুদি, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা দিজিটেল প্লেটফোর্মশিংগী খুত্থাংদা মীয়াম্বু অনৌবা ৱাখল লৌশিং তানশিনবা য়ানবগী পান্দমদা ঈ-দন্তসেবা লোঞ্চ তৌখিবনি। মীওইবা অমগী পুন্সিদা অনা অয়েক য়াওদনা লৈবা ঙম্নবগীদমক ওরেল হেল্থকী মরু ওইবা পুন্নমক ময়েক শেংনা খঙবা তঙাইফদে।

লৈবাক অসিগী মীওই কয়া মরুমদা য়ারি য়াখোঙগী লায়না কয়া নাবা থেংনরে হায়না পল্লদুনা মিনিষ্টরনা হায়খি, হেল্থ এন্দ ফেমিলি মিনিষ্ট্রিনা ওল ইন্দিয়া ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (এইমস)কা খুৎশম্নদুনা ওরেল হেল্থ অমসুং হায়জিনগী মরমদা থৌরাং কয়া লৌখৎলে। ঙসি লোঞ্চ তৌখিবা ঈ-দন্তসেবা ৱেবসাইটনসু মীয়াম্বু য়ারি য়াখোঙগী অনাবশিং ঙাকথোকপদা চাওনা মতেং ওইনরগনি।

নৌনা লোঞ্চ তৌখিবা ৱেবসাইটতা নেসনল ওরেল হেল্থ প্রোগ্রাম, দেন্টেল ফেসিলিটি অমসুং কোলেজ, ইনফোর্মেসন, এদ্যুকেস অমদি কম্ম্যুনিকেসন (আই ই সি) গা মরী লৈনবা ৱাফম কয়া য়াওহন্দুনা য়ারি য়াখোঙগী অনাবশিং ঙাকথোক্নবগী থৌরাং লৌখৎলে।

নৌনা শেমগৎলিবা আই ই সিগী পোৎলমশিংনা মেটর্নেল এন্দ চাইল্ড হেল্থকী মরমদা মীয়াম্না অরানবা মওংদা থাজনরিবা পুন্নমক কোকহল্লগনি। ৱেবসাইট লোঞ্চ তৌবগী থৌরম অদুদা হেল্থ সেক্রেটরী প্রিতি সুদান, এইমসকী দিরেক্টর প্রোফেসর গুলেরিয়া, সেন্টরর ফোর দেন্টেল এদ্যুকেসন এন্দ রিছার্সকী মকোক ডা. ও পি খরবন্দাসু শরুক য়াখি।

# রেভিন্যু সেক্রেটরীনা টেক্স থিরিবা মীওইশিংগীদমক ফেসলেস ঈ-এসেসমেন্ট স্কিম লোঞ্চ তৌখ্রে



ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ০৭ (এজেন্সী): টেক্স থিবগী থৌরাংদা চাওনা অহোংবা পুরক্নবগী পান্দমদা ইনকম টেক্স দিপার্টমেন্টনা ঙসি ফেসলেস ঈ-এসেসমেন্ট স্কিম লোঞ্চ তৌখ্রে।

থৌরাং অসিনা মরম ওইরগা ইনকম টেক্স ওফিসার অমদি টেক্স থিরিবা মীওইশিং হকথেংননা উনবগী মথৌ তাররোই। রেভিন্যু সেক্রেটরী অজয় ভুসন পান্দেনা হৌনবী মতুং ইন্না লোঞ্চ তৌখিবা নেসনল ঈ-এসেসমেন্ট সেন্টরনা মরম ওইরগা মীওই ৫৮,৩২২ টেক্স থিনবগী খুদোংচাবা ফঙহনগদৌরি।

ময়েক্কীদি ফাইনান্স মিনিষ্টর নিরমালা সিথারমননা স্কিম অসি লোঞ্চ তৌনবা থৌরাং তৌরম্বনি। অদুবু প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগা উনগদবা অমসুং অতৈ ওফিসল ওইবা মথৌ কয়ামরুম লৈবা মরম্না স্কিম অসি রেভিন্যু সেক্রেটরিনা লোঞ্চ তৌখিবনি। হিরম অসিগী মতাংদা রেভিন্যু সেক্রেটরিনা হায়খি, অনৌবা স্কিম অসিনা মরম ওইরগা টেক্স থিবগী মওং মতৌদা হেন্না লায়থোকহল্লগনি। টেক্স থিরিবা মীওইশিংনা খুদোংচাদবা অমত্তা মায়োক্নররোই।

লৈবাক্কী মফম পুম্নমক্তা চৎনগদৌরিবা স্কিম অসিনা টেক্স থিবগী মওং মতৌ পুন্নমক মনুং মপান ফাওনা উবা ফঙহল্লগনি হায়নসু রেভিন্যু সেক্রেটরীনা ফোঙদোকখি।

স্কিম অসি থবক্তা ওন্থোক্লবা হোৎনবদা ইনকম টেক্স দিপার্টমেন্টকী ওফিসল ২,৬৮৬না মরু ওইবা থৌদাং লৌখি। অহানবা তাঙ্কক্কী ওইনা ফেসলেস ঈ-এসেসমেন্ট স্কিম ২০১৯গীদমক ইনকম টেক্স দিপার্টমেন্টনা কেস ৫৮,৩২২ খনগৎলে। টেক্স থিরিবা মীওই পুন্নমক্না মশা মশাগী রেজিষ্টার তৌরবা ঈ-ফাইলিং একাউন্টশিং চেক তৌবগা লোয়নননা নুমিৎ ১৫নিগী মনুংদা পাউখুম পীরক্নবসু রেভিন্যু সেক্রেটরীনা খঙহনখি।

# প্রসিদেন্ট, ভাইস প্রসিদেন্টনা দসেরাগী পাউজেল পীখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ০৭ (এজেন্সী): প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোবিন্দ অমসুং ভাইস প্রসিদেন্ট এম ভেঙ্কয়া নাইদুনা দসেরাগী মাংওইননা মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীখ্রে।

পাউজেল পীবগী চেরোল অমদা প্রসিদেন্টনা হায়খি, বিজয়াদস্মীনা লাকপগা ইরোইননা লৈবাক অসিদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমক নুংঙাই য়াইফনা অমসুং মরা তপ্না হিংবা ওইরসনু। অচুম্বনা অরানবসু মায়থীবা পীবগী কুম্হৈ অসিনা মীওই কয়াদা পুক্নিং ইথিল পীদুনা তুংগী পুন্সিদা মায় পাকপা ওইরসনু হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

অমরোমদা ভাইস প্রসিদেন্ট এম ভেঙ্কয়া নাইদুনসু দসেরাগী মাংওইননা মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীখ্রে। অফবনা ফত্তববু মায়থীবা পীবগী কুম্হৈ অসিগী মতাংদা মহাক্না হায়খি, মীপুম খুদিংমক্না ফত্তবা ৱাখল্লোল পুন্নমক থাদোক্তুনা ইন্দিয়াবু ইং তপ্পা, নুংঙাই য়াইফবা অমসুং চাকহোং-ঙাহোংবা লমদম অমা ওইহল্লসি।

# এন আর সিদা মীং য়াওখিদ্রবা মীওই লাখ ১৯গী মতাংদা লৌখৎকদবা থৌরাং লাউথোক্কদবনি ঃ চিদম্বরম

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ০৭ (এজেন্সী): শেঙ্গা-থুমজাগী কেস অমগা মরী লৈননা হৌজিক হৌজিক টিহার জেলদা লৈরিবা কোংগ্রেসকী সিনিয়র লিদর পি চিদম্বরমনা হায়খ্রে মদুদি, নেসনল রেজিষ্টর ওফ সিটিজন্স (এন আর সি)না বংলাদেশতা অকায়বা অমত্তা থোকহল্লোই হায়না থাজবা পীখ্রবা মতুংদা এন আর সিগী লিষ্টতা মীং য়াওরকখিদ্রবা মীওই লাখ ১৯গী মতাংদা সেন্টরনা করি করম্না থৌরাং লৌখৎকদৌরিবগে হায়বদু ময়েক শেংনা খঙহনফম থোকই।

এন আর সিদা মীং য়াওরক্ত্রবা মীওই লাখ ১৯ হেন্না পুক্নিংদা লাংতক্নবা ফাওরি। হন্দক্তা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা বংলাদেশকী মহাক্না ফম মান্নবা সেখ হসিনাগা উনখিবদা এন আর সিনা য়ুমলোন্নরিবা লৈবাক অদুদা মখল অমত্তগী অৱা-চৈথেং পীরোইহায়না ফোঙদোকখিবনি।

হান্নগী য়ুনিয়ন ফাইনান্স মিনিষ্টরনা হায়খি, মহাত্মা গান্ধিগী ১৫০ শুবা মপোক কুমওন পাঙথোকখিবদা ঙাইরিবা সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টনা এন আর সিদা মীং য়াওরক্ত্রবা অমসুং পুক্নিং লৈতানা হিংবা ঙমদ্রবা মীওই লাখ ১৯গী মতাংদা লৌখৎকদবা থৌরাং ময়েক শেংনা লাউথোকফম থোকই। অয়াবা য়াওদনা চঙলকখিবা মীতোপনি হায়না মশক খঙদোকপা ঙমখ্রবা মীওই লাখ ১৯ খুদক্তা তান্থোকপা ঙম্বগী ফিভমসু লৈতে হায়না হান্নগী য়ুনিয়ন ফাইনান্স মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

# জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা টেররিষ্ট ৩০০ লোম লৈরি ঃ দি জি পি



জম্মু, ওক্টোবর ০৭ (এজেন্সী): জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা হৌজিক টেররিষ্ট ২০০দগীনা ৩০০ রোম ফাওবা লৈরি হায়না দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস দিলবাগ সিংহনা ফোঙদোকখ্রে।

হন্দক্তা টেররিষ্ট কয়ামরুম ঙমখৈ লানশিন্দুনা চঙলকখ্রে হায়না পল্লদুনা দি জি পিনা হায়খি, পাকিস্তাননা ঙমখৈদা তোইনা নোংমৈ কাপশিল্লকখিবগা লোয়নননা টেররিষ্টশিং লেপ্তুনা থাজিল্লক্লি। জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা হৌজিক চাওরক্না টেররিষ্ট ২০০দগীনা ৩০০ রোম ফাওবা লৈরমগনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়না পুঞ্চ দিষ্ট্রিক্টতা সিক্যুরিটিগী ফিভম য়েংশিনবা লাকখিবা দি জি পিনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

পাকিস্তানগা লোন্নবা ঙমখৈগী শরুক্তা সিজ ফায়র থুগাইবগী থৌওং লেপ্তুনা চথুরক্লি হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, ইন্টর্নেসনল বোর্দরগী কনাচক, আর এস পুরা অমসুং হিরা নগরদা টেররিষ্টশিং থাজিল্লক্লি। লাইন ওফ কন্ট্রোলগী পুঞ্চ, রাজোরি, উরি, নম্বলা, কর্ন্ম অমদি কিরন সেক্টরদসু ঙমখৈ ঙাক্লিবা লান্মীশিংনা সিজ ফায়রগী কাংলোন থুগাইদুনা নোংমৈ কাপশিল্লকপগী থৌদোক তোইনা থোক্লি।

ইন্দিয়াগী ওইনসু অকনবা সিক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎতুনা ঙমখৈদা টেররিষ্ট অমত্তা লানশিল্লকপা ঙমহন্দনবা হোৎনরি হায়না পল্লদুনা দি জি পিনা হায়খি, হৌজিক ফাওবদা পাকিস্তান রোমদগী টেররিষ্ট কয়ামরুম ঙমখৈ লানশিন্দুনা চঙলক্নে হায়বগী পাউ ফংলে। হৌখিবা সেপ্টেম্বর ২৯দা সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা গুলমার্গ সেক্টরদা টেররিষ্ট ২ ফাখিবগা লোয়নননা গন্দরবালদা নুমিৎ মরিনি চুপ্না ওপরেসন চথুরবা মতুংদা টেররিষ্ট ২ ফাবা ঙমখি হায়রি।

# গুজর অমসুং বকরৱাল ফুরুপকী মীওই কয়ামরুম বি জে পিদা য়াওখ্রে

জম্মু, ওক্টোবর ০৭ (এজেন্সী): গুজর অমদি বকরৱাল ফুরুপকী মশক নাইবা মীংওই কয়ামরুম বি জে পিদা য়াওরক্লে হায়না পার্টিগী স্পোকস্পার্সন অমনা ফোঙদোকখ্রে।

গান্ধি নগর এসেমব্লী কন্সটিট্যুয়েন্সিগী তোঙান-তোঙানবা মফমদগী বি জে পিদা য়াওরকখিবা মীওইশিং অদুবু হান্নগী দেপ্যুতি চীফ মিনিষ্টর কবিন্দর গুপ্তুনা তরাম্না ওকখি। বি জে পিদা চঙলকখ্রবশিংগী মনুংদা পঞ্চ ৩ অমসুং নাইব সরপঞ্চ ২ য়াওরি হায়না পল্লদুনা পার্টিগী স্পোকস্পার্সন অমনা হায়খি, নৌনা চঙলকখ্রবা মীওইশিংনা গ্রাস রুট লেভেলদা বি জে পিগী মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা থৌরাং লৌখৎলগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংখিবদা গুপ্তুনা হায়খি, নেসনল কনফরেন্স, কোংগ্রেস অমসুং পিপলস দেম্মক্রেটিক পার্টিনা মমাঙদা লৈঙাক পায়খিবা মতমদা দিম্মোক্রেসিগী ফিভম ফগৎহন্নবা থৌরাং লৌখৎপা তৌখিদে। বি জে পিনা তোঙান-তোঙানবা হিরম কয়াদা লৌখৎলক্লিবা থৌরাংশিংবু মীয়াম্না থাগৎনরকপা মরম্না পার্টি অসিগী মপাঙ্গল নোংমা নোংমগী কনখৎলক্লি। অতোপ্পা পার্টিদগী মীওই কয়াসু পার্টি অসিদা চঙলক্লগনি।


MANIPUR UNIVERSITY
CANCHIPUR : IMPHAL

ADMISSION NOTICE
Date:7 October, 2019

No.MU/3-MIMS/PG/Admn/2019/156/955 Applications in prescribed forms are invited for admission into the following Two Year Full Time Master programmes for the academic session 2019-20.

(i) Master in Tourism and Travel Management (MTTM)
(ii) Master in Foreign Trade (MFT)

**Eligibility:**

Any candidate who passed Graduate in any stream from a recognized Board/Council/University with 50 % marks in aggregate ( 45% for SC/ST/PWD) is eligible to apply for admission into the course.

Prescribed application form with detailed information will be available from the University Cash counter w.e.f.11th October, 2019 on payment of Rupees 300/-(Three Hundred only) and Rupees 200/- (in case of ST/SC) on all working days or by sending a Bank Draft drawn in favour of the Registrar, MU payable at SBI, MU Campus Canchipur Branch (Code 5320) Imphal-795003 along with a self-addressed envelope of 28cmx15cm with postal stamp worth Rupees 20/-

Application forms and e-prospectus may also be available on the Manipur University Website(http://www.manipuruniv.ac.in). in such case the applicant has to enclose in the application a bank draft of Rupees 300/- (Rupees 200/-for ST/SC), drawn in favour of the Registrar, Manipur University payable at the SBI, MU Branch (Code No. 5320).

**N.B:**

(i) Application completed in all respect will be received by the Office of the Director, Manipur Institute of Management Studies (MIMS), Manipur University up to 2nd November, 2019 during the office hour on all working days.
(ii) Candidates desirous of applying for both the courses should submit application forms separately.
(iii) Written test, Personal interview and counseling session for admission to the course shall be held on 6th November, 2019 at 9:30 am in the Manipur Institute of Management Studies, Manipur University.

Sd/- Prof. W. Chandbabu Singh
Registrar, MU

HL-B/5719/8



MANIPUR UNIVERSITY
CANCHIPUR: IMPHAL

ADMISSION NOTICE
Dated, the 7th October, 2019

No.MU/3-106/ADM-ADV SPORTS/Aca/19:/956 Applications in prescribed form are invited for admission into Certificate Course in Adventure Sports (2 months course) for the session 2019-20 (intake-50 seats)

**Eligibility:** Candidates who has passed Senior Secondary School Exam (10+2) from any recognized School Board or any other Equivalent Examination will be eligible for admission.

Application forms can be obtained from the Form Counter on payment of Rs. 100/- (Rupees one hundred) at the Cash Counter upto 2.00 p.m. on all working days. The filled in application forms should be submitted to the Co-ordinator, (Dr. L. Santosh Singh) PESS Department along with educational certificates.

**IMPORTANT DATELINES**

| | | |
|---|---|---|
| 1 | Date of issue of Form | 07-10-2019 |
| 2 | Last date for submission of Form | 17-10-2019 |
| 3 | Age limit | 18-45 Years |
| 4 | Commencement of Class | 21-10-2019 |

**SCOPE: Adventure Sports Coach, Adventure Sports Instructor, Adventure Sports Trainer, Adventure Park, Administrator, Trekking and Tour Leader Guide, Rescuer, Adventure Tour Organiser, Operator, Disaster Management.**

Sd/- S. Buddhabati Devi
Assistant Registrar/Aca

HL-B/5720/8



**GOVERNMENT OF MANIPUR.**
**PUBLIC HEALTH ENGINEERING DEPARTMENT**

**NOTIFICATION**
**Imphal, the 7th October, 2019**

No.CE/PHE/1-289/2019/ 1774 : In pursuance of Secretariat, P.H.E. Department letter No.3/4/2017-PHE(Pt) dated 07/09/2019, application in the prescribed form (uploaded in the official website www.phedmanipur.gov.in) are invited from the intending & eligible candidates through sponsorship of concerned Employment Exchange for direct recru1900it C 154 (one hundred & fifty four) posts of Group C & Group D in this Department on regular basis as below:

| Sl. No. | Name of posts | Pay scale 1900 | Group | No. of Posts | UR | OBC | ST | SC |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1. | L.D.C. | PB 5200-20200 + GP | | 42 | 23 | 6(M) 1(MP) | 12 | - |
| 2. | Driver | PB 5200-20200 + GP | | 15 | 9 | 2(M) | 4 | - |
| 3. | Jr. Supervisor | PB 5200-20200 + GP | | 30 | 17 | 3(M) 1(MP) | 9 | - |
| 4. | Fitter Grade – II | PB 5200-20200 + GP 1900 | C | 3 | 3 | - | - | - |
| 5. | Asst. Engine Operator | PB 4440-7440 + GP 1650 | D | 31 | 17 | 4(M) 1(MP) | 9 | - |
| 6. | Barkandaz | PB 4440-7440 + GP 1300 | D | 5 | 4 | - | 1 | - |
| 7. | Sweeper | PB 4440-7440 + GP 1300 | D | 13 | 7 | 2(M) | 4 | - |
| 8. | Peon | PB 4440-7440 + GP 1300 | D | 15 | 9 | 2(M) | 4 | - |

**2) Reservation of posts for person with disability (PwD)**

| Sl. No. | Name of Post | Type of Disability | Remarks |
|---|---|---|---|
| 1. | LDC | 1(one) post for Hearing Impairment (Horizontal Reservation) | Terms & Condition as per existing Government rules. |

**3) Method of recruitment:**

| Sl. No. | Name of the Post | Scheme of Examination | |
|---|---|---|---|
| 1 | L.D.C. | Written Test (60 marks in 1 hour) General English (30 marks) General Knowledge (30 marks) | Computer skill test (10 marks in 30 mins) |
| 2 | Driver | Written Test (General Knowledge 30 marks in 30 minutes) | Job suitability practical test (5 marks) |
| 3 | Jr. Supervisor | | |
| 4 | Fitter Grade – II | | |
| 5 | Asst. Engine Operator | | |
| 6 | Sweeper | | |
| 7 | Barkandaz | | |
| 8 | Peon | | |
| 9 | Interaction :- 5 marks ( for those who qualify written examination) | | |

**4) Details of Eligibility, Exam pattern & practical/Job suitability test etc. are given at Annexure.**
**5) Fees structure: General & OBC = Rs. 500/- and SC/ST = Rs. 400/-**
**6) Issue & submission of form:**

| Sl. No | Date of Issue | Submission | Remark |
|---|---|---|---|
| 1. | Form can be downloaded from officials website www.phedmanipur.gov.in w.e.f. 07/10/2019 onwards. | 07/10/2019 to 09/11/2019 ( No forms received after the above given last date shall be accepted). | All candidates/applicants should be sponsored by concerned Employment Exchange. 2) Form may be submitted at the counters opened at PHED Office Complex, Khuyathong during office hour on working days. |

**Tentative Timeline for the recruitment :-**

1. Date of Notification : 07.10.2019
2. Last date of submission of form : 09.11.2019
3. Date of requisition from Employment Exchange : 07.10.2019
4. Last date of requisition from Employment Exchange : 08.11.2019
5. Date of written test : 24.11.2019
6. Computer skill test/job suitability test : To be notified later.
7. Date of interaction : To be notified later.

*** Venue for examination shall be notified separately later on.**
*** One person can apply for one particular post only.**
*** Selected Candidates who could not produce required documents shall be rejected.**
*** Practical/job suitability test & interaction shall be conducted only for candidates who qualified written examination.**
***NIOS certificates shall be considered as per latest instruction of Director of Education (S), Government of Manipur.**

Sd/- H. Sunil Singh
Chief Engineer, PHED,
Govt. of Manipur

HL-B/5721/8